





*গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী পেরা এঠলিটক্সকী ওইবা পৱারলিফটিং কম্পিটিসনদা নুপাগী হেভি ৱেঠ ইভেন্টতা কেজি ১৮১ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সচিন চৌধুরি*

*২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী এঠলেটিক্সকী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা সেকেন্দ ৫১.৫৩ চেন্দুনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এঠলিট হিমা*

# নুপীগী মিটর ২৫ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অনৌবা গেমস রেকোর্দ থমদুনা ইন্দিয়াগী সুট্টর হিনা সিধুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে পেরা এঠলিট সচিন চৌধুরিনা পৱারলিফটিংদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখ্রে, ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ১০ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২৫ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়নন ইন্দিয়াগী হিনা সিধুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, গেমস অসিগী পেরা এঠলিটশিংগী ওইবা কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবা পৱারলিফটর সচিন চৌধুরি নুপাগী হেভি ৱেঠ কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না সাউথ অফ্রিকাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

সুট্টিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী টিমনা ঙসি ফাওবদা লোইশিনখিবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেডল ৩ সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংলগা পুন্না মেডল ৮ ফংদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মখোয়না খ্বাইদগী মেডল ফংবা ঙন্বা টিম অদু ওইরি।



*নুপীগী মিটর ২৫ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী হিনা সিধু (ময়ায়)*

ঙসি হিনা সিধুনা নুপীগী মিটর ২৫ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড ফংখিবা অদুগী মাঙওইননা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী মনু ভাকরনা গোল্ড ফংলগা সিধুনা সিলভর ফংহৌবনি। অদুগা অতোপ্পা গোল্ড মেডল অদুনা জিতু রাইননা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অনৌবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী রেকোর্দ অমা থম্লগা ফংখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২৫ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা সিধু ৩শুবা পোজিসনদা লাকখিবনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনু রাজ সিংহসু ফাইনেল য়ৌরগা ৬শুবা পোজিসন তাখি।

হিনা সিধুনা মিটর ২৫ গী নুপীগী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ফাইলেন রাউন্দগী লম্বা তৌরকপদা খরা শোনখ্রবসু লোইশিল্লকপা রাউন্দদা মহাক্কী টার্গেট অদু তোয়না পাল্লকপদগী পোইন্ট ৩৮ ফংলগা গোল্ড মেডল অদু লৌখিবনি।

হৌরকপা রাউন্দদা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বী ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর এলিনা গালিয়াবোবিস পোইন্ট ৩৫ ফংলগা সিলভর মেডল ফংহৌখি। অদুগা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা মালেসিয়াগী সুট্টর আলিয়া অজাহরিনা পোইন্ট ২৬ ফংলগা লৌখি।

পনবা য়াই হিনা সিধুগী ওইনা ঙসি গোল্ড মেডল ফংখিবা অদুগা থারগা ২১শুবা কম্মৱেল্থ গেমস অসিদা মহাক্কী অনীশুবা মেটচ ওইখি। অহানবা মেডল অদু নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মনু ভাকরনা গোল্ড মেডল ফংলগা মহাক্না সিভলর মেডল ফংহৌবনি।



*কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু থোইখিবা মেটচতা শান্নরোই অনীনা বোল মুন্নবা*

কম্মনৱেল্থ গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট সচিন চৌধরিনা নুপীগী হেভি ৱেঠ পৱারলিফটিং কম্পিটিসনা পুন্না কেজি ১৮১ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

পৱারলিফটর ১০ গী ফাইনেল লম্বা অদুদা গোল্ড মেডল অদু নাইজেরিয়াগী আব্দুলাজিস ইব্রাহিমনা কেজি ১৯১.০ থাঙ্গৎলগা গোল্ড ফংখি। অদুগা মালেসিয়াগী য়ি খিয়ায়ি জোংনা কেজি ১৮৮.৭ থাঙ্গৎলগা সিলভর মেডল অদু লৌখিবনি।

*হোক্কিঃ–*

চথরিবা কম্মনৱেল্থ গেমস অসিগী নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়াগী টিম্না ঙসি শান্নখিবা পুল 'এ' গী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ইংলেন্দগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হন্থরগা অনীশুবা তারগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু কেপ্টেন রানি রামপালনা শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা চনখি। সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা পুল 'বি' গী মকোক ওইখিবা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দ অমসুং ন্যু জিলেন্দ লম্বা তৌনগনি।

নুপাগী হোক্কিদা ঙসি ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৭ ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী পাঞ্জল অনীমক হর্মনপ্রিত সিংহনা শান্নবগী ৩শুবা অমদি ৪৪শুবা মিনটতা চনখিবনি। অদুগা মালেসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ফৈজালনা চনখি।

পুল 'বি' দা ইন্দিয়ানা অরোইবা মেটচ অদু মকোক থোংবা ইংলেন্দগা হয়েং লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়ানা ঙসি মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইংলেন্দসু পুল অদুগী মখোয়গী লম্বা ওইখিবা ৱেল্সপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়াগী হেল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদা নত্তনা গ্রুপকী মকোক ওইখি।

*বোক্সিংঃ–*

ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংগী মনুং দা ঙসি পাঙথোকখিবা বোক্সিং দিসিপ্লিনদা নুপাগী বোক্সর ৪ মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেডল ৪দি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি।

কেজি ৬৯গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী মনোজ কুমারনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর টেরি নিকোলাসপু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেজি ৯১ গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর নামন টানৱারনা সামুৱাগী বোক্সর ফ্রাঙ্ক মাসুৱেবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরগা মেডল ফংবগী রাউন্দ অদু য়ৌখিবনি।

কেজি ৪৯ গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পনঘালনা স্কোটলেন্দগী বোক্সর অকিল অহমদপু ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর হুসামোদ্দি মোহমদনা জম্বিয়াগী বোক্সর ইভেরিষ্টো মুলেঙাবু য়াম্না হেন্না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফওবদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি।

*এঠলেটিক্সঃ–*

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১৫০০ গী কম্পিটসনদা সাউথ অফ্রিকাগী এঠলিট কেষ্টর সেমেনয়ানা মিটর ৪ঃ০০.৭১ দা চেন্দুনা গোল্ড মেডল ফংখি। সিলভর অদুনা কেনিয়াগী বিত্রিস চেপকোকনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ৱেল্সকী মেলিসা কোর্টনিনা লৌখি।

গেমস অসিগী ঙসি ৬নি শুবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১১, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংলগা মেডল টেলিগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

**Commonwealth Games 2018 Medal Tally**

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 50 | 38 | 42 | 130 |
| 2 | England | 24 | 29 | 21 | 74 |
| 3 | India | 11 | 4 | 6 | 21 |
| 4 | New Zealand | 9 | 10 | 7 | 26 |
| 5 | South Africa | 9 | 6 | 6 | 21 |
| 6 | Canada | 8 | 21 | 15 | 44 |
| 7 | Wales | 7 | 8 | 7 | 22 |
| 8 | Scotland | 6 | 10 | 12 | 28 |
| 9 | Nigeria | 4 | 4 | 0 | 8 |
| 10 | Cyprus | 4 | 0 | 2 | 6 |
| 11 | Jamaica | 2 | 4 | 3 | 9 |
| 12 | Malaysia | 2 | 2 | 3 | 7 |
| 13 | Samoa | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 14 | Uganda | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 15 | Papua New Guinea | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 16 | Singapore | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 17 | Botswana | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 17 | Trinidad and Tobago | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 19 | Fiji | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 19 | Northern Ireland | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 21 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 21 | Grenada | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 23 | Kenya | 0 | 2 | 2 | 4 |
| 24 | Sri Lanka | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 25 | Bangladesh | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 25 | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 25 | Nauru | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 28 | Pakistan | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 29 | Cameroon | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 29 | Cook Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 29 | Dominica | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 29 | Malta | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 29 | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 29 | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 29 | Vanuatu | 0 | 0 | 1 | 1 |

# হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা রাউন্দদা মণিপুরগী ক্রিপ্সানা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক ওইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*শিল্লং, এপ্রিল ১০ঃ*

হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সিজনগী ঙসি শিল্লংদা শান্নখিবা ৬শুবা অমদি অরোইবা মেটচ অমদা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপ্স্রানা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখিবদা নত্তনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।



ঙসিগী মেটচ অদুদা ক্রিপ্সাগী মায়কৈদগী হৌবদগী হৌনা গোকুলাম কেরলাগী হাল্ফতা বোল অয়াম্বা মতমদা পুশিনবা ঙমখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ক্রিপ্সাগী বালানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

হাল্ফ অদুগী মখা তারকপা ক্রিপ্সানা বোল হেন্না ফংলসু গোকুলা কেরলানা মখোয়গী গোল লাইন অদুবু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

২৫শুবা মিনটতা ক্রিপ্সাগী গ্রেসনা নীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোয়গদবা মিনট ২ ৱাংলিঙৈদা বালানা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি। হাফ অদুগী ইনজুরি টাইমদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা ক্রিপ্সাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা বালানা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোকুলাম কেরলাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলকপা ঙমখি। মিনট ১৫ রোমগী শান্নবা হৌজিলক্লবা ফাওবদা ক্রিপ্সানা পাঞ্জল ৪–০ দা লৈখিবা অদুগী মখা তাবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা হেটট্রিক ফংখ্রবী ক্রিপ্সাগী বালানা মহাক্কী মেটচ অদুদা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা গোকুলাম কেরলাবু পাঞ্জল ৫–০ দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

শান্নবগী লেমহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা গোকুলাম কেরলাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু উপায় লৈখিদে।

অমরোমদা ক্রিপ্সানা মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নবা হোৎনরকপা অদুসু ঙমখিবদগী মেটচ অদু ক্রিপ্সানা গোকুলামবু ৫–০ দা থোইখি।

টিম ৭ না শান্নবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবো টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সিজনগী লীগ রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ক্রিপ্সানা মেটচ ৬ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা অনী দ্রো চৎতনা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

টিম অসিনা অতোপ্পা টিমশিংগী মায়োক্তা গোল্ড ২৪ চনবা ঙমখি। অদুগা মায়োক্লবা টিম্না শুপ্পগী গোল্ড অহুমখক চনশিল্লকখি।

মমাঙগী লীগ চেম্পিয়ন মণিপুরগী ক্লব ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নসনসু মেটচ ৬ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা অনী দ্রো চৎলবা মতুং মখোয়সু পোইন্ট ১৪ ফংখি।

ইএসয়ুনা পুন্না গোল্ড ১১ চনখি। অদুগা মায়োক্লবা টিম্না গোল ৫ চনশিনখি। মসিনা মরম ওইরগা পোইন্ট টেবলদা ক্রিপ্সানা মকোক ওইরগা ইএসয়ুনা অনীশুবা তাখিবনি।

থা অসিগী ১২ দা ক্রিপ্সানা উরিশাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টকা অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নগনি। অদুবা নুমিৎ অদুমক্তদা অনীশুবা সেমি ফাইনেল অদুদা ইএসয়ুগা তামিল নাদুগী সেথুনা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি চাইনিজ তাইপৈ চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে, জুনিয়র দেবিস কপ্তা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দ ২–১ দা থোইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিসকী সিঙ্গলস শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রিনা ঙসি চাইনিজ তাইপৈদা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা পাউ অমদা মালেসিয়াগী কুচিংদা পাঙথোকপা চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী এসিয়া ওসিনিয়া দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ২–১ দা থোইখ্রে।



মালেমগী নুপাগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী রেঙ্কিংদা ১০৪ শুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা চাইনিজ তাইপৈদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকপদা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী রোবার্টো ওর্টিগা ওলমেদোবু পুং ২ গা মিনট ১০ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৬–৭(৫–৭), ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা রামকুমার রামানাথননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী থোমাস ফানকুটপু ৭–৬(৭–৫), ৬–৭(০–৭), ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সকেট মাইনেনিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনিস গুনেশ্বারনবু ৪–৬, ৭–৬(৭–২), ৬–৪ দা থোইদুনা মহাকসু চাইনিজ তাইপৈদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মালেসিয়াগী সিটি কুচিংদা পাঙথোকপা এসিয়া ওসিনিয়া চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী জুনিয়র দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী লীগ ফেজদা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ২–১ দা থোইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা সিঙ্গলসকী মেটচ অদু ভি এম সন্দিপনা থাইলেন্দগী সিরাবিট সুটনাটেগা লম্বা তৌনবদা ৩–৬, ৭–৫, ০–৬ তা মায়থিখি।

অদুবু অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী দেব জাবিয়ানা থাইলেন্দগী প্রচায়া বাইবোংবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা মেটচ অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা দবলসকী লম্বা অদুদা ইন্দিয়াগী দেব জাবিয়া অমসুং ভি এম সন্দিপনা থাইলেন্দগী প্রচায়া বাইবোং অমসুং অনাপট টিমাংকুলবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা লীগ ফেজ অদু মায় পাকখিবনি।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী শান্নখিবা মেটচশিংদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু মায়থিবা পীবা ঙমখি। মদুগী মতুং গ্রুপ অসিগী মকোক থোংবা টিম অদু মশক খঙনবদগীদমক ইন্দিয়াগী টিম অসিনা কোরিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ অসিগী মকোক থোংবা টিম অনী নোক আওট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা জপানগী ওসাকা সিটিদা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই অনকিতা রাইনানা অহানবা রাউন্দদা য়ুম্বু জপানগী হিরোকো কুৱাটাবু ৬–৪, ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

জপানগী অতোপ্পা সিটি কাকুয়াদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী নিধি চিলুমুলানা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সুখোটিনাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।